# ইন্দিয়াদগী য়ুএসতা চৎপা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংগী মশিং ২০২১-২২ দা শরুক অনী হেনগৎখ্রে



ৱাশিংতন, দিসেম্বর ২৮ (এজেন্সী): অমেরিকন গভর্ণমেন্ট দেটাগী মতুং ইন্না হৌখিবা ওক্তোবর অমসুং নবেম্বরদা য়ুএস বোর্দর পেত্রোলনা মেক্সিকোগী বোর্দর লান্নবা হোৎনরম্বা ইন্দিয়ন ৪২৯৭ ফাখিবগা লোয়ননা মমাঙ চহীগী মান্নবা থাশিংগী মনুংদা ফাখিবা মশিং ১৪২৬ তগী য়াম্না হেনখি।

গভর্ণমেন্ট দেটা অদুগী মতুং ইন্না সেপ্টেম্বরদা লোইখিবা শেনবা চহী অপুম্বা অসিগী মনুংদা পুন্না ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট ১৬,২৩৬ মেক্সিকো বোর্দর লান্দুনা য়ুএসতা চঙনবা হোৎনরম্বদগী ফাখি। য়ুএস ওথোরিটিশিংনা বোর্দর অমদি অতৈ মফমশিংদগী ফাখিবা ইন্দিয়নশিংগী অপুনবা মশিং হৌখিবা চহীদগী শরুক অনীগী মথক্তা হেনখি।

শেনবা চহী ২০২১-২২ গী মনুংদা লোনা য়াদবা মওংদা য়ুএসতা চঙলম্বা ইন্দিয়ন ৬৩,৯২৭ য়ুএস ওথোরিটিশিংনা থেংনখি। কষ্টমস এন্দ বোর্দর প্রোটেক্সন (সি বি পি) দেটাগী মতুং ইন্না মশিং অদু মমাঙগী শেনবা চহীগী মনুংদা থেংনখিবা মশিং ৩০,৬৬২ দগী চাদা ১০৯ হেনগৎলি।

শুপ্নগী মমাঙগী থা অনীগী মতমদা ইন্দিয়াদগী লাকখিবা অপুনবা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট মশিং ১৩,৬৫৫ ফাখি। কুমজা ২০২১ গী মান্নবা থা অনীগী মনুংদা ফাখিবা মশিংনা ৬,৮৬৫ নি। ফিস্কেল চহী ২০১৯-২০ দা সি পি বিনা ফাখিবা য়ুএসতা লোনবা য়াদবা মওংদা চঙলকখিবা ইন্দিয়ন মশিং শুপ্নগী ১৯,৮৮৩ নি হায়না এজেন্সি অসিনা হায়রি।

প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট কমলা হেরিসনা লৈঙাক্কী পৱার পায়রকখিবদগী য়ুএসতা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা মশিং য়াম্না চঙলকখিবা মাইগ্রেন্টশিংগী মনুংদা ইন্দিয়নশিংসু য়াওরিবনি।

পনবা য়াবদি, প্রসিদেন্ট বাইদেন অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট হেরিসতা লেটিন অমেরিকাদগী চঙলক্লিবা মাইগ্রেন্টশিংবু থিংবগী থবক শিন্নখি। ভাইস প্রসিদেন্ট হেরিসনা ওর্দর সেক্যুর ওই হায়রবসু য়ুএস ওথোরিটিশিংনা সেপ্টেম্বরদা লোইখিবা শেনবা চহীগী মনুংদা য়ুএসতা লোনা য়াদবা মওংদা তোঙান তোঙানবা নেসনেলিটিশিংগী মীওইশিং থেংনখিবগী কেস মিলিয়ন ২.৭৭ রেজিষ্টর তৌদুনা মমাঙগী মান্নবা মতমদা রেজিষ্টর তৌখিবা মশিং মিলিয়ন ১.৯৬ তগী য়াম্না হেনখি।

কুমজা ২০১৯-২০ দদি অসিগুম্বা মীওই ৬৪৬,৮২২ দমক থেংনখি। বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসননা য়ুএসকী খা থংবা বোর্দরদা লোনা য়াদবা মওংদা চঙনবা হোৎনরিবা মীওইশিং থিংনবা হোৎনরকখিবগা লোয়ননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সুপ্রিম কোর্টনা রিপ্রিট অমা এদমিনিষ্ট্রেসন অসিদা পীখি।

কোভিদ ১৯ পেন্দামিক্না মরম ওইদুনা মহাক্কী মমাঙদা লৈরম্বা দোনাল্দ ট্রম্পনা লৈবাক অয়াম্বগী লেটিন অমেরিকনশিংবু মেক্সিকোদা হলহনখিনবগী হকশেলগী ওইবা থৌরাং অমা ওইনা শেমখিবা রুল অমা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না মখা তানা চৎনহন্দুনা লৈরম্বনি।

রুল অদু দিমোক্রেটিক পার্টিগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীবদগী হৌখিবা মেদা রিভোক তৌখ্রবা মতুংদা মখা তানা চৎনরম্বনি। রিপব্লিকান ষ্টেট ওফিসল কাঙবু অমনা মদুগী মায়োক্তা কোর্টতা ৱাকৎখি অমসুং সুপ্রিম কোর্টনা রিভোকেসন অদুবু টেম্পররি ওইনা ফেব্রুৱারী ফাওবা ষ্টে তৌখিবগা লোয়ননা বোর্দরদা মশিং য়াম্না থোমজিল্লক্কদবা ফিভমদগী মতম খরদি কনবা ঙমখি। তৌইগুম্বসুং ইন্দিয়নশিং অমদি লেটিন অমেরিকাগী ৱাংমদগী লাকপা মীওইশিংদি মেক্সিকোনা লৌশিল্লোইদবা ওইবনা রুল অদু ইন্দিয়নশিং অমদি লেটিন অমেরিকাগী ৱাংমগী মীওইশিংগী মায়োক্তদি শীজিন্নখিদে।

# ৱিন্টর ষ্টোর্মনা মরম ওইরগা পুং ২৪ গী মনুংদা ফ্লাইট ৪৯০০ লোম কেন্সেল তৌখ্রে



ৱাশিংতন, দিসেম্বর ২৮ (এজেন্সী): য়ুএসতা নিংথম থাগী শাথিরবা উন চেনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মফম কয়াদা লেপ্তুনা চৈথেং পীবগা লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪ গী মতমদা ফ্লাইট ৪৯০০ রোম কেন্সেল তৌখ্রে অমসুং অতৈ ফ্লাইট ৪৪০০ কী মথক্তা সেদ্যুলদগী থেংথখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

বি বি সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অপুনবা ফ্লাইটকী মনুংদগী ফ্লাইট ২৫০০ নত্রুগা ফ্লাইট ১৬০ হেন্না কেন্সেল তৌখিবা সাউথ ৱেষ্ট এয়রলাইন্সনা নোংলৈ নুংশিৎকী চৈথেং খ্বাইদগী চাওনা নঙখি।

ফ্লাইট ট্রেক্কিং সার্ভিস ফ্লাইট এৱেরগী মতুং ইন্না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা পাইখিগদবা ফ্লাইট ৩৫০০ হেন্না কেন্সেল তৌখি। দিসেম্বর ২২ দা নোংলৈ নুংশিৎ হৌখিবদগী য়ুএস অপুম্বগী ওইনা ফ্লাইট ২০,০০০ রোম কেন্সেল তৌখ্রে।

য়ু এস দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সপোর্টেসন (দি ও টি) না হায়খি, মদুদি সাউথ ৱেষ্ট এয়রলাইন্সনা ফ্লাইট কেন্সেল তৌবগী চাং অসি নুংনাংনিংঙাই ওই। ফ্লাইট কেন্সেল কা হেন্না তৌবতা নত্তনা এয়রলাইন্স অসিনা কষ্টমর সার্ভিস মতম চানা অমদি থুনা পাঙথোক্তবগী রিপোর্টশিং ফঙই। ফ্লাইট কেন্সেল তৌবা নত্রুগা সেদ্যুলদগী থিন্থবনচিংবগী মতাংদা মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্না এয়রলাইন্সশিংবু থৌদাং য়াহন্নবা কন্না হোৎনরি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ত্বিট অমদা লাউথোকখি।

মহাক্লা পেসেঞ্জরশিংদা মখোয় কম্পেন্সেসন ফঙফম থোকপ্রা হায়বদু চেক তৌনবা আপিল তৌখি। সাউথ ৱেষ্ট এয়রলাইন্সকী মায়কৈদগী ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌবা অমদি মতম থীন্থখিবা অদুগীদমক হঞ্জিন হঞ্জিন্না এপোলোজাইস তৌখি অমসুং নিংথম থাগী ৱেদরনা মরম ওইদুনা সার্ভিসতা অকায়বা চাওনা থোকহল্লিবসি লাইবক থীবনি হায়খি।

এয়রলাইন্স অসিনা মসিগী ৱেবসাইটতা হায়খি, ২০২২ গী দিসেম্বর ২৪ অমসুং ২০২৩গী জনুৱারী ২ গী মরক্তা ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌখিবা নত্রুগা সেদ্যুলদগী থিন্থখিবশিং অদুগীদমক্তা মিলশিং, হোটেল অমসুং অলটর্নেট ট্রান্সপোর্টেসনগী চার্জশিং হন্দোক্লবা মরম চানা হায়জরকপশিং এয়রলাইন্স অসিনা শোয়দনা খন্নগনি।

শাথিরবা ৱিন্টর ষ্টোর্মনা মরম ওইদুনা মখা তানা ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌবা অমদি থিন্থবনচিংবা লেপ্তুবগা লোয়ননা পেসেঞ্জর লিশিং কয়া য়ুএসকী এয়রপোর্টশিংদা ফাইদুনা লৈনখি। মখোয়না ফ্লাইটশিং রি-বুক তৌনবা নত্রুগা ওল্টর্নেটিব ট্রাবেল এরেঞ্জমেন্টশিং লাংননবা হোৎনখি।

# ৱাথোক্তা চেন্নবা জপানিজ মিনিষ্টর কেনয়া অকিবাসু রিজাইন তৌখ্রে

টোকিও, দিসেম্বর ২৮ (এজেন্সী): পোলিটিকেল ফন্দিং অমসুং অতৈ ৱাথোক কয়াদা চেন্নবগী মরাল শীরবা জপানগী রি কন্সট্রক্সন মিনিষ্টর কেনয়া অকিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রিজাইন তৌখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর ফুমিও কিসিদানা সেক তৌখিবা অকিবা অসি হৌখিবা ওক্তোবরদগী মান্নবা ফন্দিং অমসুং অতৈ ৱাথোকশিংগা মরী লৈননা রিজাইন তৌবা মরিশুবা মিনিষ্টরনি। কেবিনেটকী এপ্রুভেল রেটিং য়াম্না লূবা লেভেল ওইনা চাদা ৩০ নকশিল্লকখিবগা লোয়ননা খোঙথাং অসি লাকখিবনি।

কিসিদানা হান্নগী রিকন্সট্রক্সন মিনিষ্টর হিরোমিচি ৱাটানবেদা অকিবাগী পোর্টফোলিও শীন্ননবা ৱারেপ লৌখ্রে। ৱাটানবেনা পোজিসন অদু ২০১৮ অমসুং ২০১৯ গী মরক্তা পায়খিবনি। ষ্টেটনা তলব পীবা সেক্রেটরিশিংদা কুমজা ২০২১ গী লৱার হাউসকী মীখলদা মতেং পাঙদুনা মহাকপু অমুক হন্না মায় পাকহনখিবগীদমক শেল পীখি হায়বা রিপোর্ট খরা ফোঙনরকপদগী অকিবাবু ওপোজিসন ব্লোক্না ফম থাদোক্নবা কন্না তকশিনখিবনি।

জপানগী ইলেক্সন লো মতুং ইন্না মীখলগী কেম্পেইনদা শেল পীদুনা গভর্ণমেন্টগী সার্ভিসতা লৈরিবা সেক্রেটরিশিং নত্রুগা অতৈ ওফিসলশিংবু শীজিন্নবা হায়বসি ইল্লিগেল ওই।

অকিবানা মহাক্না মরী লৈনবা পোলিটিকেল গ্রুপ অনীদা রেন্ট পেমেন্টশিং ওইনা য়েন মিলিয়ন ১৪ পীখি হায়বা ৱাফম অসিসু য়াজখি হায়রি।

## মোদেল করিয়র সেন্টর শঙ্গাখ্রে, মেগা জোব...

*লামায় ১গী মখা...* তাকয়েলগী ইন্দষ্ট্রিজ ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট (আই টি আই) দা লৈরিবা স্কিল দিভেলপমেন্ট অমসুং এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জগী থবক থৌরমশিং খ্বাইদগী মরু ওইবনি। মফমশিং অসিদা মণিপুরগী থবক থিরিবা মরু ওইনা নহাশিংনা লাক্লগা পূনফম ওইবদা নত্তনা মখোয়গী করিয়র শেম্ফমসু ওইরিবনি। হৌজিক হায়দোক্তনা লৈরিবা ষ্টাফশিং লৌবগী এগজামিনেসনশিং অথুবা মতমদা হায়দোক্লবা হোৎনরি। অৱাৎপা ষ্টাফশিং মেনশিল্লগদি চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলকপদা খুমাঙ য়াংশিনবা ঙম্লগনি হায়খি। লোয়ননা অতোপ্পা লোয়শঙশিংগা য়েংনরুবদা য়াম্না শোত্থনা লৈরিবা লোয়শঙ অসিদা থবক থিরিবা নহারোলশিংগী পূনফম ওইরিবনি। মতম অমদা লৈরম্বা ফীভম অদুগা ঙসিগী ফীভমগগী মরক্তা অহোংবা করিমত্তা লৈতবা উবদা য়াম্না নুংঙাইতে। মসিগীদমক অথুবা মতমদা অহোংবা পুরক্লবা হোৎনরগনি হয়খি।

তুংগী য়ূম্বীরেল ওইগদৌরিবা নহাশিংবু এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অসিগী থবক মখা তানা চত্থবা ঙম্নবা অৱাৎপা ষ্টাফশিং মেনশিল্লগনি হায়খি। হৌজিক করিয়র সেন্টর অসিনা নহাশিংদা মতম চানা ইনফোর্মেসন পীরবা মতমদা মখোয়না তমজরুবা তোঙান তোঙানবা স্কিলশিংগী মতুংইন্না চান্নবা থবক পীগদবনি হায়খি।

নহাশিংনসু মশা মশাগী ক্বালিফিকেসনগা চান্নবা য়েংলগা জোব সেন্টর অসিনা করি তৌবা য়াবগে হায়বগী ইনফোর্মেসন মতম চানা লৌবীয়ু। ঙসিগী থৌরমদা স্কিলস লেভর, এমপ্লোইমেন্ট অমসুং ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিপকী সেক্রেটরি অমসুং এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জগী এদিসনেল দিরেক্টরসু শরুক য়াখি।

## কোংগ্রেস পার্টিবু হুল্লিবা-চৈরিবা পার্টি অসি লম্বা...

*লামায় ১গী মখা...* মীওইবা ফাওবদা মশা ফনা অদুমক লৈতে। অনা অয়েক য়াওরকই। অদুবু শামুনা ময়াং কংদুনা লৈরবসু ষণদগীদি হেন্না চাওই। মরম অসিনা কোংগ্রেসপু কিবদগী চৈজরবসু চৈজসনু। হৌজিক কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা পূন্নমক কংথোক্লগা মীয়ামগীদমক থোরক্লিবনি। অচুম্বগীদমক্তা কিরুনু অদুম ওইনমক চেকশিল্লু অমসুং হৈশিংনা চৎলু হায়বসি রাহুল গান্ধীগী পাউতাকনি হায়খি।

লোয়ননা মণিপুর থুগাইবা য়ারোই হায়রকপদা নিকখিবনি। মরম অসিনা কোংগ্রেসতগী থকতোরকপা মঙালনা মতমদুদা চাকথেরক্কদবা অমসুং থক-থক নিক্কদবা ঙাক্তনি। মরম অসিনা কোংগ্রেসকী থৌমী পূম্নমক্না নিংহন্নবা য়াওদনা মাঙলোমদা চঙশিনসি হায়খি।

ঙসিগী পার্টিগী মপোক কুমওন থৌরমগী মপু ওইখিবা লেজিসলেচর পার্টিগী লিদর অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী মনিং তম্বা পুরক্নবা হোৎনবদা কোংগ্রেস লিংখৎখিবনি। পার্টি অসি খ্বাইদগী লিরবা পার্টিনি। লৈবাক অসিনা নীংতম্লবা মতুংদা কন্সটিট্যুসন শেম্বা য়াওনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা লোল তিন্নদবা অমসুং লাইনীং মান্নদবা ফুরুপ কাঙলূপশিং নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবগীদমক্তা দেমোক্রেটিক ইন্দিয়া শেমখিবা পার্টিনি হায়খি।

ইন্দিয়া কায়বা য়ারোই অমসুং মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়বসিদা কোংগ্রেসনা থাজবা থম্লি। মহাত্মা গান্ধীগী নন ভাইওলেন্স হায়বা ৱাখল্লোন্দা কত্থোক্লগা চঙশিনখিবনা লৈবাক অসি মনীং তম্বা ফংখিবনি হায়খি।

হৌজিক সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিগী লুচিংবশিংনসু খঙই হায়রদুনা অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবশিংনা লৈঙাক পায়রিবসি চৌক্রি পাম্বদগী চেনশিন্নরকখিবা ঙাক্তনি, লৈঙাক পায়দ্রবা মতমদা চৌক্রিশিং লোইনা ইন্থোক্নরম্লগা চৎখিগনি। মরম অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর ফাওবদা কোংগ্রেস চৈবনা মথৌ ওইরে হায়খি।

জৱাহরলাল নেহরুদগী হৌরগা মহাত্মা গান্ধীগী ইমুং মনুং মরী-মতা ফাওবা চৈরি। রাহুল গান্ধীনা মমিংতগী ওইনা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ওইরিবা অসি ফাওবদা চৈরক্লিবা অসিনদি ওফিস পায়দবা মতমদা হয়িং ফাওবা পাইদবগী ফীভম লাক্কনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঐখোয়দি চিন্দা পাওদানবা পামজদে অদুবু তাঞ্জা হায়বা অমা লাকপা মতমদদি লেম্না থারোই। কোংগ্রেস হায়বসি শুংমুৎ মুৎলরোইদবা পার্টিনি। লৈবাক অসিদা মশীং য়াম্না লৈরি হায়বা খঙই। মীয়াম্নসু নৈনসনু। কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রম্বা অমদি বি জে পিনা লৈঙাক পায়রকপগী মতাংদসু নৈনসনু। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তদি মীয়াম্না মপুনি অমসুং অফ ফত্তা নৈনদুনা দেমোক্রেসিগী মহাউ ফংজসনু। পূম্নমক মীয়াম্না ৱায়েল তৌগদবনি। কোংগ্রেসনা ৱারে পোত্থারগে হায়বা মতমদা মীয়াম্না য়াদদুনা পোত্থাহন্নীংদবা মতমসু লাক্কনি হায়খি।

লোয়ননা কাংগ্রেসকী লৈঙাক লৈবা মতমদা দেমোক্রেসিগী মরিশুবা য়ূম্বীনি হায়বিা মীদিয়াবু ইকায় খুম্নে। ফ্রিদম ওফ স্পিস, ফ্রিদম এক্সপ্রেসন লৈহল্লি। করিগুম্বা ঐঙোন্দা ক্রিটিসাইজ তৌরকপদা অশোয়বা চুমথোক্লবা তাঞ্জা পীবনি লৌজৈ অদুবু তৌদবদা পংহায়দা হায়জিনবা ওইরগদি ঐখোয়সু খাঙবা ঙম্বগী লিমিটকী ৱাংমদা লৈরক্কনি। দেমোক্রেসিগী ৱাহম্থোক লৈনা থম্বগা লোয়ননা ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন অমসুং ফ্রিদম ওফ স্পিসকী কাঙলোন ঙাক্কদবনি হায়বগী পান্দমদা চঙশিল্লি। পাৱর হায়বসিদি দিক্টেরশিপ চৎপা লৈবাক্কী ওইরগদি খঙদ্রে অদুবু দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক ওইরগদি কোংগ্রেস অমুক হন্না লাকখিগনি হায়খি।

থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা পার্টি প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা এন্টি করপসন সেল লিংদুনা মীয়ামদা মীত্রংগুম মীৎ থকৎহনখিবা কদাইদা চৎখ্রবগে। তোঙান তোঙানবা জিও টেগ, দ্রোন কয়া শীজিন্নরগা লুপা ক্রোর কয়া লৌতুনরগা লৌথোকখিবদা খুদোম্বী থিন্দুনা তাক্লবা ফাওবদা করেম্নদুনা লৈরিবা অসি মীয়ামগী লৈঙাক্লা হংখি। ঙসিদি লুপা ক্রোর কয়া কয়ানা খুজিং ওইবা পি এম জি এস ৱাইগী শেল লৌথোকপদা পাউখুম পীদনা লৈরিবা লৈঙাকনি।

পি ঐচ ঈ দি, ৱাটর রিসোর্সেস, আর দি এন্দ পি আরগী লোয়শঙশিংদা চত্থখিবা লুট ময়াম মীয়াম্না খঙই। টর্ম অসি লোইশিল্লকপদা মণিপুরগী এসেট অমসুং ফন্দ ময়াম লুট তৌনবা গো টু ভিলেজ হায়দুনা মীয়াম্বু থমাইরি। মীয়াম্না হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিদগী করিসু থাজনীংঙাই লৈতে। কম্যুনেলিজমনচিংবা কয়ানা পীরকপা অৱাবা কয়া লৈরক্লিবসি কোংগ্রেসনা শেমদোক্লবা হোৎনগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরমদা পার্টিগী এম এল এশিং, এক্স এম পি, এক্স এম এল এশিং, এম পি সী সীগী ওফিস বিয়ররশিং, পি সী সীগী মেম্বরশিং, কাউন্সিল্লর অমসুং এক্স কাউন্সিল্লরশিং, দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ব্লোক্কী য়াওনা ফ্রন্টেল/সেল/দিপার্টমেন্টশিংগী প্রসিদেন্ট অমসুং থৌপুবশিং, পার্টিগী লুচিংবা অমদি ৱার্করশিংনা শরুক য়াখি।


এ.ৱাই.২০২২-২৩ গী ইনকম টেক্স রিটর্নশিং

75 Azadi Ka Amrit Mahotsav
G20 भारत 2023 INDIA




টেক্সপ্যেরশিং মীৎয়েং চঙবীয়ু

নীংশিংজবা
এসেসমেন্ট ইয়র ২০২২-২৩ গী আই টি আর ফাইল তৌবগী অরোইবা তারিখ
দিসেম্বর ৩১, ২০২২নি
খুদক্তা ই-ফাইল তৌবীয়ু!

রিভাইস রিটর্নশিং
করিগুম্বা ওরিজিনেল রিটর্নশিং অপীবা তারিখকী মাঙওইননা ফাইল তৌখিবা ওইরবদি এৱাই ২০২২-২৩ গী রিভাইস ইনকম টেক্স রিটর্নশিং দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা লেট ফী য়াওদনা ফাইল তৌবা য়াগনি।

বিলেটেদ রিটর্নশিং
এৱাই ২০২২-২৩ গী বিলেটেদ ইনকম টেক্স রিটর্নশিং লেট ফী য়াওরগা দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা ফাইল তৌবা য়াগনি।




থুজিল্লো! থিন্থরগনু। ঙসিমক লোইশিল্লু!

অদোমগী ইনকম টেক্স রিটন ইরায় লাইনা অমসুং সেক্যুর ওইনা ফাইল তৌনবা ই-ফাইল্লিং পোর্টেল www.incometax.gov.in দা লোগ ওন তৌ
মতেং লৌনবগী কন্টেক্ট তৌফম: ১৮০০১০৩০০২৫, ১৮০০৪১৯০০২৫

cbc 15401/13/0011/2223

For e-Brochures scan QR Code

INCOME TAX DEPARTMENT

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট
সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ দাইরেক্ট টেক্সেস

For more information scan QR Code

অহেনবা ইনফোর্মেসনগীদমক ভিজিট তৌবীয়ু: www.incometax.gov.in

@IncomeTaxIndia @incometaxindia.official @incometaxindiaofficial @Income Tax India @Income Tax India Official